# খাঙো কোনয়াক কাঙলুপকী এন এস সী এন (কে)না লুচিংবা শিন্দোকপা য়ানা লৈরে

কোহিমা, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সি): খাঙো কোনয়াক্না লুচিংবা এন এস সী এন (কে) মনুংদা মোৎ মান্নরক্তবা মরম্না অথুবা মতমদা লুচিংবা শিন্দোরকপা য়াই হায়না থাজনরি।

কাঙলুপ অসিনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা জেনরেল সেক্রেটরি ইসাক সুমিবু মফম লৌথোকখি। সুমিনা নাগা নেসপল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)গী কো কনভিনর ওইনা থৌ পুরন্বনি।

ইসাক সুমি লৌথোকখ্রবা মতুংদা কিলোন্সর ন্যুৱেল নাগাবু অনৌবা জেনরেল সেক্রেটরি ওইনা থৌ পুহনখি। কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকেল ১৮ অমসুং ২৩না য়াদবা থবক থৌরমশিং তৌবগা লোয়ননা নোপোটিজম অমদি ট্রাইবেলিজমগী মরালদা সুমিবু মফম লৌথোকখিবনি।

হীরম অসিগী মতাংদা এন এস সী এন (কে)গী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনফোর্মেসেন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমনা হায়খি, ইসাক সুমিগী মহুত্তা ন্যুৱেল নাগানা লূপকী অনৌবা জেনরেল সেক্রেটরি ওইরগনি।

চ্যেরমেন খাঙোক কোনয়াকপু মরাল শীরদুনা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি, লূপকী চ্যেরমেন্না এন্টি-দিফেক্সন এগ্রীমেন্টকী ৱাংমদা থবক তৌরে। মশাগী অশোয়বা চুমথোক্তবদি খাঙো কোনয়াক অমসুং মহাক্না লোয়নবা মীওই পুম্নমক এন এন পি জিদা য়াওহল্লোই হায়রি।

পনবা য়াবদি, সেপ্তেম্বর ১২ দা খাঙো কোনয়াক্না লুচিংবা এন এস সী এন কেনা লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি ইসাক তাঙ্খোক্লে হায়না লাউথোকখ্রবনি। মীহুৎ খুদিংমক্না শরুক য়ারগা পাঙথোকখিবা মীফম অমা লোইরবা মতুংদা খাঙো কোনয়াকনা জেনরেল সেক্রেটরি তাঙ্খোকপগী ৱাফম লাউথোরকখি। ইসাক্না প্রসিদেন্টকী অয়াবা য়াওদনা লুপকী ওফিসল ওইবা চেরোল শীজিন্নে অমসুং চৎন-কাঙলোন ঙাক্না চৎতে হায়না মরাল শীখি।

# সী এম এ এ ৱাইদা ইম্পেনেল তৌখ্রে

ইটানগর, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশ লৈঙাক্কী হেল্থক্যের স্কিম অমা ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর আরোগ্যা অরুনাচল যোজনা (সী এম এ এ ৱাই)দা গুৱাহাতিগী জি এন আর সীসু ইম্পেনেল তৌখ্রে।

ষ্টেট লৈঙাক্না জি এন আর সীগী মীহুৎশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং (এম ও য়ু) অমা খুৎয়েক পীনখি। হৌজিক্তি সী এম এ এ ৱাইগী স্কিম মখাদা জি এন আর সীগী দিসপুর নোর্থ গুৱাহাতিদা লৈবা হোস্পিটালশিংদা শেল তিংদনা লায়েংবা য়ারগনি হায়না অরাগ্যা যোগনা অসিগী চীফ এগজিক্যুটিভ ওফিসর ডা. নবাম পিটরনা ফোঙদোকখি।

হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের সেক্রেটরি পি পর্বিন য়াওনা খুৎয়েক পীনখিবা এম ও য়ু অদুগী মতুং ইন্না জি এন আর সীদা ন্যুরোলোজি, ন্যুরোসজরি, কর্দিওলোজি, কার্দিয়েক সর্জরি, ওর্থোপেদিক অমদি জোইন্ট রিপ্লেসমেন্ট য়াওনা অতৈ অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা ফংলগনি। সী এম এ এ ৱাইগী পান্দমদি অরুনাচল প্রদেশকী লায়রবা মীওইশিংদা লায়েংমল লৌদনা লুপা লাখ ৫ ফাওবগীচাংদা লেম্না লায়েংবনি।

# কোক্রাঝারদা মীওই অনী লৈখিদ্রে

কোক্রাঝার, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সি): কোক্রাঝারদা কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মীওই অনী লৈখিদ্রে হায়না দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিসনর ভাস্কর ফুকান্না ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবা মীওই অমদি কেক্রাঝারগী নোর্থ-ইষ্ট স্মোল ফাইনান্স বেঙ্কতা মেনেজর ওইবা থবক তৌবনি। অতোপ্পা মীওই অদুনা কোক্রাঝার ৱার্দ নম্বর ৬ তা লৈবনি।

মীওই অনীমক মতম খরা লাকন্নরল্লবা মতুংদা বরপেতাগী ফাক্রুদ্দিন অলি অমহমদ মেদিকেল কোলেজ এন্দ হোস্পিটালদা লৈখিদবনি। লৈখিদ্রবা নিরুপম নর্জারিনা নোর্থ ইষ্ট স্মোল ফাইনান্স বেঙ্কতা থবক তৌদ্রিঙৈদো ঐচ দি এফ সীগী মেনেজর ওইনা থৌ পুরন্মী। ঐচ দি এফ সীগী থবক থাদোক্লগা নোর্থ ইষ্ট স্মোল ফানাইন্স বেঙ্কতা মেনেজর ওইনা থবক চঙখিবনি।

# মেঘালয়াদা রাজ ভৱনগী ষ্টাফ ৩০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা থেংনখ্রে

শিল্লোং, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সি): মেঘালয়াদা রাজ ভৱনগী ষ্টাফ ৩০ কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। অদুবু গভর্নর সত্যা পাল মালিকতি নেগেটিভ ওইরে।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা সেক্রেটরি টু গভর্নর প্রবিন বক্সিগী স্বাব সেম্পল লৌরগা আর টি-পি সী আর টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা থেংনখি। অদুবু নোংমাইজিং নুমিত্তা অমুক হন্না নজরেথ হোস্পিটালদা সী বি এন এ এ টিগী খুখাংদা টেষ্ট তৌবদা ওফিসল অদু নেগেটিভ ওইবা থেংনখি।

রিপোর্ট অমনা হায়, গভর্নর য়াওনা মহাক্কী পর্সনেল ষ্টাফ ২ কোভিদ-১৯ নেগেটিভ ওইরে। অতোপ্পা গভর্নরগী এ দি সী অমগী রিজল্ট ঙাইনরি। অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা রাজ ভৱনগী চঙফম মনাক্তা অথিংবা থল্লে।

চৈরকসিদা, অসামগী ওইনা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ১২৯২ থেংনখিবগা লোয়ননা শিখিবা মশিং ৪৬৯ য়ৌরে। ষ্টেট অসিগী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ১,৪২,৭৬৩ য়ৌরে। নৌনা রিপোর্ট তৌরকখিবা কেস ১২৯২ গী মনুংদা কামরুপ (মেট্রো)দা কেস ৪২২, জোর্হাটতা ১৩৪ অমসুং লক্ষিম্পুর কেস ১০৭ থেংনখি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা অনাবা মীওই ১৬ শিখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯না শিহনখিবা মীশিং ৪৬৯ য়ৌরে। অনাবা মীওই ২২৫১ না নাবা ফগৎলকপগী দিসচার্জ তৌখি। পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংগী মনুংদা শুপ্নগী এক্তিভ কেস চাদা ২০ লৈরি। ষ্টেট অসিদা নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিং ১,১৩,১৩৩ নি। এক্তিভ কেসনা ২৮,১৫৮ নি।

ত্রিপুরাগী ওইনসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবদগী শিখিবা মীশিং ২০০ শুরে। ওগষ্ট ৩১ দগী সেপ্তেম্বর ১৩ ফাওবদা পুন্না মীওই ১০০ শিখি।

# অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, অসোম জাতিয়াবাদি যুব ছাত্র পরিষদনা পোলিটিকেল পার্টি লিংখৎখ্রে

গুৱাহাতি, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সি): ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (আসু) অমদি অসোম জাতিয়াবদি যুব ছাত্র পরিষদ (এ জে ৱাই সী পি)না ঙসি অসাম জাতিয়া পরিষদ (এ জি পি) কৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমা লিংখৎখ্রে। অসাম এদভাইজরি কম্মিটিগী কনভিনর কৃষ্ণ গোপাল ভত্তচার্য্যা অমদি বসন্ত দেকানা ঙসি গুৱাহাতিদা অনৌবা পোলিটিকেল পার্টি লিংখৎপগী ৱাফম লাউথোকখি।

মহৈরোয়শিংগী লুপ অনী অসি লমজিংনবগী ৱাখল্লোনদা অসাম এদভাইজরি কম্মিটি শেমখিবনি। নৌনা লিংখৎলবা পার্টি অসিনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক মায়থিবা পীগনি হায়না থাজবা থল্লি।

আসুগী লুচিংবা ওইরম্বা চিত্তরঞ্জন বাসুমাতারিনা জোনবাই অমসুং দেমাজিগী ইনচার্জ ওইনা থৌ পুহনখি। রাজু ফুকান্না গোলাঘাট, জোর্হাট অমসুং বোকাঘাটকী ইনচার্জ ওইরে।

হান্নগী ষ্টেট মিনিষ্টর জগদিস ভুয়ান্না পার্টি অসিগী কোওদিনেটর ওইরে। অথুবা মতমদা অনৌবা মীওই কয়া পার্টি অসিদা য়াওহল্লগনি হায়রি।

চৈরকসিদা, বি জে পি অসাম য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট রঞ্জিৎ দাসনা হায়খ্রে মদুদি কুমজা ২০২১ পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা অমুক হন্না মায় পাক্লগনি। জুগন কিশোর কেদিয়া স্মৃতি ভৱনদা পাঙথোকপা বি জে পি হোজাই দিষ্ট্রিক্ট য়ুনিটকী অহানবা এগজিক্যুটিভ মীটিংদা ৱা ঙাঙবদা দাসনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পাউমীশিংগা উনবা অমদা মহাক্না হায়খি, অসামদা হৌজিক ভোটর ক্রোর ২ রোম লৈ। করিগুম্বা মীওই চাদা ৭৫ না ভোট থাদবা থোরক্লবদি ভোটর ক্রোর ১.৫ ওইগনি। বি জে পিগী ভোলন্টিয়র লাখ ৪২ লৈবা মরম্না ভোটর লাখ ৮৪ দি ইরায় লায়না পার্টি অসিবু শৌগৎহনবা ঙমগনি।

কোংগ্রেস অমসুং এ আই য়ু দি এফকী এলায়ন্সকা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না হায়খি, করিগুম্বা কোংগ্রেসনা এ আই য়ু দি এফকা খুৎশম্নখিবা তারবদি বি জে পিদা খুদোংচাদবা খরা মায়োক্নরকপা য়াই। অদুবু হৌজিক হৌজিক কোংগ্রেস অমদি এ আই য়ু দি এফকী মীহুৎ লৈরিবা কন্সটিট্যুয়ন্সিশিংদা এলায়ন্সকী মীরেপ মায়থিরোই হায়বা লৈতে।

# অরুনাচল প্রদেশতা কোভিদ-১৯গী অপুনবা কেস মশিং ৬,০০০ হেনখ্রে : হেল্থ দিপার্টমেন্ট

ইটানগর, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সি): অরুনাল প্রদেশতা অনৌবা কেস ১৪৬ থেংনখিবগা লোয়ননা ষ্টেটকী অপুনবা কোভিদ-১৯গী কেস মশিং ৬,০০০ হেল্লে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে। হৌজিক হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯গী কেস ৬,১২১ লৈরে।

অরুনাচল প্রদেশকী হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর অলো লিবাংসু কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়না ষ্টেট সর্ভিলেন্স ওফিসর ডা. লোবসং জম্পানা ফোঙদোকখি।

খ্বাইদগী ইকোন কোন্না থেংনখিবা কেস ১৪৬কী মনুংদা কেপিটেল কমপ্লেক্স রিজনদা ৭১, লাৱর দিবাং ভেলিদা ১৬, ইষ্ট সিয়াংদা ৬, লাৱর সিয়াংদা ৬, লাৱর সুবান্সিরিদা ৬, পাপম্পারেদা ৫, লোহিটতা ৫, টৱাংদা ৪, দিবাং ভেলিদা ৩, অপর সিয়াংদা৩, ৱেষ্ট কমেংদা ২, ৱেষ্ট সিয়াংদা ২, পাকে কেসাংদা ১, ইষ্ট কমেংদা ১ অমসুং অঞ্জো দিষ্ট্রিক্ট কেস ১ থেংনখিবনি।

লাৱর দিবাং ভেলিদা বোর্দর রোদস ওর্গনাইজেসন (বি আর ও)গী ওফিসল অমসু কোভদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে। নৌনা থেংনখিবা মীওইশিংগী মনুংদা শুপ্নগী মীওই ৮ খক নত্তনা অতৈ মীওই পুম্নমক হৌজিক ফাওবা লাইওং উখোরক্ত্রি। ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টরনা মশামক কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরে হায়বা ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

অরুনাচল প্রদেশতা হেল্থ মিনিষ্টর থারগা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা লেজিসলেটর ৬ শুরে। এদ্যুকেসন মিনিষ্টর তাবা টৈদির, বি জে পি ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট বিয়ুরাম ৱাহগে, পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি জিংনুং নামচুমসু হন্দক্তা পোজিটিভ ওইখ্রবনি।

নোংমাইজিং নুমিত্তা অনাবা মীওই ১২৩ নাবা ফগৎলকপদগী দিসচার্জ তৌখি। ষ্টেট অসিদা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৭১.৫৪ ওইরে। অপুনবা এক্তিভ কেস মশিংনা ১,৭৩২ নি। অনাবা মীওই ১০গী লাইবক থিবদগী লায়না অসিনা মরম ওইরগা লৈখিদ্রে।

# হিমন্ত বিস্বা সরমা এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইররোই

গুৱাহাতি, সেপ্তেম্বর ১৪ (এজেন্সি): নোর্থ-ইষ্ট দেম্মক্রেটিক এলয়ন্স (নেদা)গী কনভিনরসু ওইরিবা অসামগী হেল্থ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্বা সরমনা হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা মীরেপ ওইররোই হায়না লাউথোকখ্রে।

ত্বিটরদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা হেন্না পুক্নিং চঙলগনি। কনাগুম্বা খরনা চীফ মিনিষ্টরগী ফম তান্নরে হায়বা অরানবা ৱাফম থেংনরে। অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি বি জে পিবু অমুক হন্না মীখলদা মায় পাকহন্নবা হোৎনবনি।

চীফ মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱালনা লুচিংবা লৈঙাক্তা সরমনা ফাইনান্স, হেল্থ, এদ্যুকেসন অমদি পি দব্লিয়ু দিগী পোর্টফোলিও পায়রিবনি। হন্দক্তা মিনিষ্টরস ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ পিজুস হজারিকানা সরমবু মথংগী চীফ মিনিষ্টর ওইহনবদা খ্বাইদগী মতিক চাবা মীশক্তি হায়না ফোঙদোকখি।

ৱাফম অদুবু বি জে পি ষ্টেট য়ুনিট মনুংদা য়ানিংদবা মীওই কয়া থোরকখি। কোংগ্রেসগী মরুওইবা লুচিংবা অমসু ওইরিবা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর তরুন গোগোইনা কুমজা ২০২১ দা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেমব্লিগী মীখলদা বি জে পিনা হান্নগী চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইবু চীফ মিনিষ্টরগী মীরেপ ওইনা পুথোরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। মতুং তারকপদা সরমনা হন্দক্কী এসেমব্লি মীখলদা মীরেপ ওইররোই হায়না লাউথোরকখিবনি।

হৌখিবা ফেব্যুৱারি থাদা সরমনা করিগুম্বা পার্টিগী টিকেট ফংলবদি লোক সভাগী মীখলদা মীরেপ ওইগনি হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। অদুবু বি জে পিগী হায় কম্মান্দনা মহাকপু পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা অমসুং অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেট ৭তা বি জে পিবু মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা হেন্না পুক্নিং চঙগদবনি হায়না খঙহনখি।

অসাম লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী অপুনবা এম এল এ ১২৬ লৈবগী মনুংদা বি জে পিগী মেম্বর ৬০ লৈরি। অসোম গন পরিষদকী মেম্বর ১৪ অমসুং বোরোলেন্দ পিপলস ফ্রন্টকী এম এল এ ১২ লৈ। বি জে পিনা পার্টি খরগা খুৎশম্নদুনা মথংগী এসেমব্লি মীখলদা সীট ১০০ ফংনবা পান্দম থল্লি।

## ষ্টেটকী পাউ

# দিভলপমেন্ট তৌবদা অপনবা পীবিগনু

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): মণিপুর লৈঙাক্কী মখাদা লৈরিবা রুরেল দিভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়েট রাজ (আর দি এন্দ পি আর) দিপার্টমেন্টনা খুঙ্গংগী লম্বী থোং, লৌউ-শিংউ অমদি মীয়ামগী চাওখৎ-থৌরাং তৌনবা লৈঙাক্না পীরকপা পৈশা লান্না শীজিন্নে অমদি মীয়ামগী য়াইফনবা থবক তৌদ্রে হায়না পাউচেশিংদা কৈরাও মক্তিং গ্রাম পঞ্চায়েটতা মীওই খরনা হায়রিবা অসি লাইবক থিবনি হায়না কৈরাও মক্তিং গ্রাম পঞ্চায়ট, ইম্ফাল ইষ্টকী প্রধান মুক্তিয়ারনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মতম মতমগী গভর্নমেন্টনা মীয়ামগী য়াইফনবা পীরকপা থবকশিং খুঙ্গং চাওখৎনবা মীয়ামগা লেয়ননা থবক তৌরি, মতুংদসু তৌখিগনি। কৈরাও মক্তিং গ্রাম পঞ্চায়েটকী মীওই খরনা পোলিটিকেলগী অখুবা মীৎয়েংদা পঞ্চায়েট অসিগী ইলেক্তেদশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎনরিবা অসি লাইবক থিবনি হায়রি। থবক অসি লোকেল এম এল এ, জি পি অমদি প্রধাননা মীয়ামগী য়াইফনবা তৌবনি। থবক খুদিংমক সী ৱাই ঈ ও টি ঈ সী তৌরগা শুবনি।

জোব কার্দকী ৱেজেস প্রধান্না হৈন্নথোকখ্রে হায়রিবা অসি লাইবক থিবনি। জোব কার্দশিংদগী ৱেজেসগী পৈশা অমা ফাওবা লৌখিবা লৈতে। জোব কার্দ হোল্ডর মশাগী একাউন্টদগী মশা-মশানা বেঙ্কতগী কায়জবনি। মখা তানা প্রধানবু মীয়ামদা লান্না উহন্নবা হোৎনরবদি লোগী মতেং লৌরক্ল গনি। দিভলপমেন্ট তৌবদা অপনবা পীবিগনু হায়রি।

# মীওই ৫১৯ ফ্লাইটতা পুশিল্লকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্তেম্বর ১৪ (ঐচ এন এস): দিল্লি, গুৱাহাতি, দিমাপুর অমদি কোলকাতাদা পন্দুনা লৈরম্বা নুপা-নুপী অমদি অঙাং য়াওনা পুন্না মীওই ৫১৯ রোম ঙসি তোঙান তোঙানবা ফ্লাইট তরুক্তা ইম্ফালগী বীর টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে।

ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা দিল্লি অমদি গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪৪ (এয়র এসিয়া আই ৫-৭৮৩) ফ্লাইটতা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুরকখ্রে। অনীশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ ই-৪৫৭ অসিনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.০৯ রোম তাবদা গুৱাহাতিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৬৫ রোম ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখ্রে।

অহুমশুবা ফ্লাইট (এয়র ইন্দিয়া ৯আই-৭৪১) অসিনা ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.০৪ রোম তাবদা গুৱাহাতি অমদি দিমাপুরদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ৪৬ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ই-৬৩২৩ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১৩ রোম তাবদা কোলকাতাদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১৩৭ ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

মরিশুবা ফ্লাইট ইন্দিগো ৬ই-২০১৯ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ১.১৫ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১০১ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি। তরুকশুবা ফ্লাইট এয়র ইন্দিয়া এ আই-৮৮৩ অসিনা ঙসি নুংথিল পুং ২ রোম তাবদা দিল্লিদা পন্দুনা লৈরম্বা মীওই ১২৬ ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা পুশিল্লকখি।

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

*(অঙৌবা পকপা)*

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্না ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্না লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

*(তাং-তাং চিকপা)*

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্লা থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

*(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)*

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্নি। ফন্বী চাং হন্থরককনি, মপান তোয়না থোক্নি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্নি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

*(নুংশং)*

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কল্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

*(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)*

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীয়ু।

*নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু*

*(নুপাগী প্রোব্লেম)*

ফন্বী পাবা, নুপাগী ফন্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্নচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

*(নুপীগী প্রোব্লেম)*

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্নচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

*(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)*

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

*(শমগী প্রোব্লেম)*

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজাবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্নচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

HOW TO GIVE UP WINE

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it .with meal, vegetables or tea without telling him

HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL

If you want to control diabetes, then please use our sugar nil. Your sugar -/level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210

DUTTA AYURVEDIC CLINIC (Regd. No. 55503)
Khoyathong Christian Literature House Building
Thangal Bazar Road Khoyathong, Imphal

HL-B/6359/06/09-06/10

## CROSSWORD-3561



### ACROSS

- 1 Bivalve mollusc (6)
- 4 Roar like a bull (6)
- 8 Balm, ointment (5)
- 9 Certificate of attainment (7)
- 10 Woodwind players (7)
- 11 Beginning (5)
- 12 Sky (9)
- 17 Defamation (5)
- 19 Of current interest (7)
- 21 Maim, disable (7)
- 22 Attach (5)
- 23 Passed through a sieve (6)
- 24 Thwarted (6)

### DOWN

- 1 Established way of behaving (6)
- 2 Cancel (4,3)
- 3 Vegetables associated with Wales (5)
- 5 Blow up (7)
- 6 Weaving frames (5)
- 7 Riches (6)
- 9 Take to pieces (9)
- 13 Fall ill again (7)
- 14 Diplomatic (7)
- 15 Casual trousers (6)
- 16 Bent (6)
- 18 Instructions given for a task (5)
- 20 Greek philosopher (5)

**Solution 3560**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | L | S | O | | E | M | P | H | A | S | I | S |
| B | | T | | A | | O | | E | | W | | E |
| U | N | A | I | D | E | D | | A | G | A | I | N |
| D | | I | | H | | E | | T | | N | | T |
| H | E | D | G | E | | S | C | H | I | S | M | |
| A | | | | R | | T | | | | E | | S |
| B | I | C | K | E | R | | A | S | S | A | I | L |
| I | | O | | | | C | | N | | | | I |
| | T | R | E | M | O | R | | U | S | U | R | P |
| I | | R | | A | | A | | G | | S | | P |
| T | I | E | U | P | | V | U | L | T | U | R | E |
| C | | C | | L | | A | | Y | | A | | R |
| H | I | T | H | E | R | T | O | | A | L | P | S |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3360**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | 4 | 5 | | | | 6 |
| | 6 | 8 | | | 3 | | 7 | |
| | 5 | | | | 8 | | | |
| 2 | | | | | | | 6 | 1 |
| | 4 | 1 | | | | 5 | 2 | |
| 6 | 7 | | | | | | | 9 |
| | | | 3 | | | | 9 | |
| | 2 | | 6 | | | 7 | 4 | |
| 9 | | | | 7 | 4 | | | |

**Solution-3359**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 7 | 8 | 5 | 6 | 3 | 9 | 2 | 1 |
| 3 | 9 | 6 | 1 | 8 | 2 | 5 | 4 | 7 |
| 5 | 2 | 1 | 9 | 4 | 7 | 3 | 6 | 8 |
| 1 | 5 | 7 | 2 | 9 | 8 | 6 | 3 | 4 |
| 8 | 3 | 4 | 6 | 5 | 1 | 7 | 9 | 2 |
| 2 | 6 | 9 | 3 | 7 | 4 | 8 | 1 | 5 |
| 7 | 1 | 3 | 8 | 2 | 9 | 4 | 5 | 6 |
| 9 | 4 | 5 | 7 | 1 | 6 | 2 | 8 | 3 |
| 6 | 8 | 2 | 4 | 3 | 5 | 1 | 7 | 9 |


কৈনু
ষ্টোরি অমসুং আর্ট : সামসন সলাম
খঙগনি কৈনু কৌবী হিংচাবী নঙবু চিক্নুনা ইপুগী লমন খুন্নগে।
ঙমতাৱানগী হুইদু ময়ুম মায়কৈরোমদা চেনখিরম্মী।
লৈরম্মু কৈনু নঙ ঙসিদি অমুক্তং ওইরবসু চিক্নুনা ইপুগী লমন খুন্নগে।